HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ

দি এম কোলেজ ওফ টিচর এদ্যুকেসনগী কনফরেন্স হোলদা চথরকখিবা এন ঈ পি ২০২০গী ৱার্কশোপ লোইশিনবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা ওজা-শিংদা শকখঙ চে খুৎশিন্নখিবা

২০২১গী ওস্কার বেষ্ট এক্টর তাখ্রবা এন্থোনি হোপকিন্স
☛ লামায় ২

ফিরোই নংনবা পীথোকফম থোকপশিং পীথোকপীয়ু
☛ লামায় ৩

ঐখোয়না ঐখোয়গী লুচিংবা খল্লমদাইসিদা
☛ লামায় ৫

চহী ২গী মনুংদা য়ুমথোঙ খূদিংমক লেম্না থক্লবা ঈশিং ফংহনগনি
☛ লামায় ৬

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভেলপমেন্টগী মখাদা লিংলিবা বিষ্ণুপুরগী ৱান ষ্টোপ সেন্টরগী অনীশুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখিবা

Vol. 45, Issue No. 229 নোংমাইজিং, হিয়াঙ্গেগী ১০নি পানবা অপূনবা লামায় মশীং ১০ HUEIYEN LANPAO Sunday, November 14, 2021, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

WANT TO BE HEARD?
REGISTER TO VOTE TODAY!
Visit: www.voterportal.eci.gov.in
VOTER HELPLINE APP
Chief Electoral Officer, Manipur

এম্বুশ তৌরক্তুনা এ আরগী কর্নেল ১, মহাক্কী নুপী ১সুং মচা য়াওনা ৭ হাৎখ্রে

প্রাইম মিনিষ্টর, দিফেন্স মিনিষ্টর, গভর্ণর অমসুং চীফ মিনিষ্টরনা কন্দেম তৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস) : থা অসিগী ৯দা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱাঙ্গোই পি এসকী মনুং চনবা লাইফ্রাকপমদা নন লোকল অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলল্লবা মতুং ঙসি অয়ূক পুং ১০ রোম তারকপদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী সিংহাট সব দিভিজনগী বেহিয়াং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা এস সেকেন ভিলেজ মনাক্কী ইন্টর ভিলেজ রোদ (আই ভি আর) গী কোর্নর অমগী মনাক্তা অন্দরগ্রাউন্দ এক্টিভিষ্টশিংনা অফবা মখলগী খূৎশু খূৎলায় অমসুং বোমনচিংবা শীজিন্নদুনা অনকপা রেঞ্জদগী এম্বুশ তৌরকখিবদা চুড়াচান্দপুরগী ৪৬শুবা অসাম রাইফলস খুগা বট্টালিয়নগী কম্মান্দর কর্নেল বিপ্লব ত্রিপাথি, মহাক্কী লোয়নবী অনুজা ত্রিপাথি অমসুং চুড়াচান্দপুরগী সেন্ট পালস ইন্সটিট্যুটতা ক্লাস ৱান তল্লিবা চহী ৬ খক্তা ঙাইরিবা মচানুপা অবির ত্রিপাথি অমসুং কর্নেল অসিগী দ্রাইভর পর্সনেল ১ য়াওনা অতোপ্পা পর্সনেল ৩গা লোয়ননা মীওই ৭ শিরে। অতোপ্পা ৬না শোকপদগী লায়কন্নখ্রে।

লৈখিদ্রবা ৪৬-অসাম রাইফলসকী কম্মান্দিং ওফিসর ওইরিবা মশাগী চহী ৪১ খক্তমক শুরিবা কর্নেল বিপ্লব ত্রিপাথি ক্যুমোন রেজিমেন্টতগী ইকুই কুইদ্রিঙৈগী মমাঙদা চুড়াচান্দপুরগী খুগা বট্টালিয়ন অসিগী কম্মান্দিং ওফিসর ওইনা লাকখিবনি। মহাক্লা বট্টালিয়ন অসিগী সী ওগী চার্জ লৌবগা পন্থদনা লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোকখিবা ইন্দো-বংলা ভিক্টোরিগী ভিক্টোরি ফ্লেমসু চুড়াচান্দপুরদা মহাক্লা রিসিপ্ট তৌখিবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মুভানলাইদা হাংদোক্লিবা সুগী দিজিগনেটেদ কেম্পতা লৈরিবা জেদ আর এ/জেদ আর ওগী কাদরশিংদা স্কিল দিভেলপমেন্টকী ট্রেনিংসু হৌদোকখিবদা ঙাইরিবনি হায়রি।

মহাক্লা ঙরাং বেহিয়াংদা লৈবা মহাক্কী বট্টালিয়নগী কম্পেনি অমগী পোষ্টতা য়েংশিনবা চৎলুরবা মতুং ঙসি অয়ূক মফম অদুদগী খুগা বট্টালিয়ন হেদ ক্বার্টর তম্না লাকখিবনি। অদুবু মহাক অমসুং মহাক্কী এস্কোর্ট পার্টিশিংগী গাড়ীশিং য়াওবা কনভোয় অদুনা থৌদোক থোকফমদু য়ৌশিল্লকপদা খঙহৌদনা মাঙজৌননা লুমদুনা লৈরম্বা অন্দরগ্রাউন্দ এক্টিভিষ্টশিং অদুনা বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লকপগা লোয়ননা অফবা মখলগী নোংমৈশিং শীজিন্নদুনা এম্বুশ চথরকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অদুদা মহাক য়াওনা মহাক্কী লোয়নবী অমসুং পীক্লিবা মচানুপা অমদি মহাক্কী দ্রাইভর, ক্যুক রিএক্সন টিম (ক্যু আর টি) গী পর্সনেল ৩ পূন্না মখোয় ৬ থৌদোক থোকফমদা লৈখিদবনি হায়রি। অদুগা শোক্লবা পর্সনেল ৭কী মনুংদগী ১না হোস্পিটালদা লায়েংনবা পুখৎলকপদা কনবা ঙমহৌদনা লৈখিদবনি।

থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবা কর্নেল য়াওনা অতৈ মীওইশিং অমসুং শোক্লবশিং ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা লৈমখোংগী আর্মি হেদ ক্বার্টরদা হেলিকোপ্টরনা পুখি। শোক্লবশিংগী মনুংদা ফীভম খরা লুনা শোকখিবা হবিলদার সুবির পাল (৩৫) কৌবা পর্সনেল অমদি পাম্বোম অমসুং খূৎকী শরূ ফ্রেকচর ওইবগী মথক্তা ফৈগন্দসু শোকপদগী শিজ হোস্পিটালদা এদমিট তৌদুনা লায়কন্নরি।

অন্দরগ্রাউন্দ এক্টিভিষ্টশিং অদুনা খঙহৌদনা এম্বুশ চথরকপদা লৈখিদ্রবা কর্নেল অসিগী মমাঙ থানা চৎখিবা ক্যু আর টি পর্সনেলশিং তোংবা মারুটি জীপসি অমা লম্বীগী নাকলদা থৌজিনখি অমসুং কনভোয় অসিগী মনুংদা য়াওবা বোলেরোশিং য়াওনা গাড়ী পূম্নমক নোংমৈ মরূ কয়াগী পানফম লৈরমখি।

থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবা পর্সনেলশিং অদুনা রাইফলমেন সুমন শ্বারগ্যারি, খৎনৈ কোনয়াক, আর পি মিনা অমসুং শ্যামলাল দাসনি।

খঙহৌদনা চথরকখিবা এম্বুশ অদুগী মায়োক্তা অসাম রাইফলসকী মায়কৈদগীসু খূৎ হন্দুনা মিনট খরা নোংমৈ কাপ্পখি। অদুবু ইন্দো-ম্যান্মার পরিংগী বোর্দর পিল্লর ৪১ নক্লা থোকখিবা থৌদোক ওইবনা এম্বুশ তৌরল্লিবা অন্দরগ্রাউন্দ এক্টিভিষ্টশিং অদু চীংগী অশোংবা নারক্কী খুদোংচাবা লৌরগা মফম অদুদগী খূৎলৈ থুনা নাম্থোকখি হায়রি।

অদুম ওইনমক এম্বুশ তৌরল্লিবা এক্টিভিষ্টশিং অদুনা শোক্লবা অমসুং শিরবা অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিং অদুদগী নোংমৈ অমদি অতৈ খূৎশু খূৎলায়শিং মুন্দুনা পুখিব্রা হায়বদুগী মতাংদদি চপ চাবা পাউ ফংবা ঙমদ্রি।

থৌদোক অদুগী পাউ তাবগা অসাম রাইফলস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মায়কৈদগী অহেনবা ফোর্স থোমজিন্দুনা থি-হুম্বগী থবক চথুখি। লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

আর পি এফনা ক্লেম তৌরক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ : ঙসি অয়ূক পুং ১০ রোম তারকপদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী সিংহাট সব দিভিজনগী মনুং চনবা এস সেকেন খুলগী মফম অমদা থোকখিবা থৌদোক অদুবু পি এল এ অমসুং এম এন পি এফকী অপূনবা লান্মী শঙলূপনা ৪৬শুবা অসাম রাইফলসতা লান্দাখিবনি হায়না রেভল্যুস্নরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ) কী দেপ্যুটি সেক্রেটরি (পব্লিসিটি) রোবেন খুমন অমসুং মণিপুর নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এম এন পি এফ) কী সেক্রেটরি পব্লিসিটি থোমাস ন্যুমাই অনীগী চেরোল অমনা ক্লেম তৌরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙসি অয়ূক পুং ১০ তাবা মতমদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী বেহিয়াং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা মফমদা লৈবা সেকেন খুলদা ৪৬ অসাম রাইফলসকী লম্বীদা লাকপা কনভোয় অমগী মথক্তা পি এল এ অমসুং এম এন পি এফকী অপূনবা লান্মী কাঙলূপ অমনা লান্দাখ্রে। ...মখা লামায় ৩ কলম ১

লেথোদ সেল লৈরম্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস): হিয়াংলম পি এসকী মনুং চল্লিবা ৱাবগাই য়াংবী ভেটিরিনরি হোস্পিটাল মনাক্কী উকু অমগী মনাক্তা লেথোদ সেল অমা লৈরম্লে হায়রি। পাউ অসিদগী পুলিসনা চঙশিন্দুনা য়েংশিনখি অদুবু নুমিদাংগী মতম ওইবদগী বোম এক্সপার্টনা লৌথোকপদা খুদোংচাররোই হায়রদুনা হয়েং অয়ূক লৌথোক্লবগীদমক মফম অদু মী চৎথোক চৎশিন তৌহন্দনা থমখ্রে হায়রি।

মৈ ফংলোই

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস): হয়েং অয়ূকপুং ১১দগী নুংথিলগী পুং ২ ফাওবা আই পি দি এস প্রোজেক্টকী মখাদা সিষ্টম ষ্ট্রেঙথনিংগী মখাদা ঐচ টি পোলশিং শেমজিন শাজিনগদবনা মরম ওইরদুনা ১১ কে ভি মন্ত্রিপুখ্রি ২ ফিদরগী কঞ্জুমর পূম্নমক্লা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মৈ ফংলোই হায়রি।

জণজাতিয় গৌরব দিবস

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস): অজাদি কা অমৃট মহোটসবকী শরুক অমা ওইনা মণিপুর লৈঙাক্কী ত্রাইবেল এফেয়রস এন্দ হিলস দিপার্টমেন্টনা থা অসিগী ১৫দগী ২২ ফাওবা ত্রাইবেল ফ্রীদম ফাইটরশিংদা ইকায়খুম্নবা উৎপগী থৌরম অহুম পাঙথোক্কনি হায়রি।

লোয়শঙ অসিগী দিরেক্টর সী অর্থর ৱোরচুইওনা থোরকপা চেরোল অমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু নবেম্বর ১৫বু ত্রাইবেল ফ্রীদম ফাইটরশিংনা ফ্রীদম মুভমেন্টদা থৌনা ফনা লৌখিবা থৌদাংশিংবু শক খঙলদুনা জণজাতিয় গৌরব দিবস হায়দুনা থৌরম পাঙথোক্কনি হায়রি। থৌরম অসিগী মনুং চন্না লোয়শঙ অসিনা ত্রাইবেল ফ্রীদম ফাইটরশিংগী ওইবা ষ্টেট লেভেল পেন্টিং অমসুং ফোটো এগজিবিসনশিং থা অসিগী ১৫দা পাঙথোক্কনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৭.৯৮°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১২.৩৫°C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.৩৪
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.৩০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৭

HL Poll

Q: Fagatlakle hairiba manipurgi law and ordergi fibam amuk khangsok sokchillakle haibada aranba wapham oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Athuba matamda Covid Vaccinegi dose animak kappa yaraba meeoising suna kaphoubana achumba khongthang oiroidra?

Yes 44% No 56%

সী এমনা সী এস সীশিংগী তেংবাঙ, ৱাই-ফাই হোটস্পোট হৌদোকখ্রে

প্রেসর অমত্তদা মণিপুর লৈঙাক্লা চৎলোই : এন বিরেন

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) : ঙসি ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা চীফ মিনিষ্টরগী কম্মন সর্ভিস সেন্টরস (সী এস সী) শিংগী তেংবাঙ অমসুং চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী পব্লিক ৱাই-ফাই হোটস্পোটশিং হৌদোকখ্রে।

থৌরম অসিদা ৱা ঙাঙলদুনা চীফ মিনিষ্টরনা কম্মন সর্ভিস সেন্টরশিংনা মরু ওইবা দোক্যুমেন্টশিংগী মনুংদা আধার কার্দনচিংবা ইস্যু তৌবা অমসুং অপদেট তৌবদা পুকচেল শেংনা অমসুং য়াম্না চেকশিন্না তৌগদবনি হায়না আপীল তৌখি। মরমদি শেল পাম্বগীদমক্তা হোৎনরকপদা পুকচেল শেংদবনা মরম ওইরদুনা নৎত্রগা থৌশারুদবনা লৈবাক অসিদা নত্তনা ষ্টেট অসিদসু মপান লৈবাকশিংদগী লাকপা মীওইশিংনা অসিগুম্বা মরু ওইবা চে-চাংশিং পায়রম্বা থেংনরে হায়খি।

মরম অসিনা সী এস সী ওপরেটরশিংনা লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটি অহানবা ওইনা মখোয়গী ৱাখলদা থমগদবনি হায়খি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মিসনগী মখাদা লৈবাক অসিগী মফম পূম্নমকপু চাওখৎহনবা অমসুং চপ মান্ননা খুদোংচাবশিং পীননবা হোৎনরি। মসিগীদমক ফজখ্রবা স্কিম কয়া হৌদোকপগা লোয়ননা স্কিমশিং অসিদা এনরোলমেন্ট তৌবগী থবকসু হৌজিক্তি ওনলাইনগী খুৎথাংদা তৌবা য়ারগনি হায়খি।

মরম অসিনা মণিপুরগীসু মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদা দিজিটেলগী খুদোংচাবা পাকথোক ...মখা লামায় ৩ কলম ২

লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন মণিপুর লৈঙাক্লা ঙাক্লা চৎত্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) : চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ওইরম্বা এম এল এ ১২ দিসক্বালিফাই তৌগনি নৎত্রগা তৌরোই হায়বসি ওফিস ওফ প্রোফিটকা মরী লৈনৈ নৎত্রগা লৈনদে হায়বগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা গভর্ণরগুম্বা অমবু কৌবা হায়বসি জুদিসিয়ারিগী পুৱারীদা মণিপুরদা অহানবনি। থাক য়াম্না হন্থবা থবকনি। গভর্ণরগুম্বগী পোষ্ট অসি ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনদা য়াম্না ইকায়খুম্নবা পোষ্ট অমনি হায়না এম পি সী সীগী ৱার্কিং প্রসিদেন্টসু ওইরিবা ৱাংখেম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

এম এল এ মেঘচন্দ্রনা চরাংপাৎতা ব্রিক পেভিং রোদ শঙ্গাখ্রে

ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী চরাংপাৎতা চেক থাদুনা নীংথিনা শেম্লবা ব্রিক পেভিং রোদ অমা শঙ্গাবগী থৌরমদা পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোরকখিবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন খোঙ্গাওনরে, ঙাক্লা চৎত্রে হায়দুনা কোর্টনা গভর্ণরগী ওফিস কৌথোক কৌশিন তৌবা অমদি রিপোর্টশিং কোর্টতা পীখৎলক্কদবনি হায়বনচিংবশিং অসি জুদিসিয়ারিগী পুৱারীদা অমুক্তা থেংনদ্রি। মসিগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদগী চহী অসিগী জন্যুৱারীদা রিপোর্ট অমা মণিপুরগী গভর্ণরদা পীখিবা লৈখ্রে। অসুক কুইরবা মতম অসি ফাও গভর্ণরনা মীয়ামদা খঙহন্দবা হায়বসি য়াম্না লাইবক থীবনি। ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি দিরেক্টোরেটকী ওফিসল ৭ সস্পেন্দ তৌগদবনি হায়বগী ৱাকৎ

হায় কোর্টনা রেস্পোন্দেন্টশিংদা দিরেক্সন পীখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) : মণিপুর লৈঙাক্কী শঙ্গেনথোংদা লৈরিবা ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি (ভেটি এন্দ এ ঐচ) দিরেক্টোরেটকী ওফিসরশিং য়াওনা ওফিসল ৭পু মখোয়গী মথক্তা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা ক্রিমিনেল মিসেলিনস কেস নম্বর ৪৪ ওফ ২০২১ (এফ আই আর নম্বর ২৩৫ (৮) ২০১৩) পেন্দিংদা লৈরিবনা ওফিসলশিং অসিবু সী সী এস (সী সী এ) রুলস, ১৯৬৫ নৎত্রগা রুল অসিগী এপ্রোপ্রিএট প্রোভিজনশিংগী মখাদা সর্ভিসতগী সস্পেন্সন তৌহনবীয়ু হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা সিভিল রিট পিটিসন অমা ফাইল তৌরকপদগী কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরদা পিটিস্নরগী মায়কৈদগী জুলাই ১, ২০২১দা ওফিসলশিং অসিবু সস্পেন্সন তৌনবগী মতাংদা লোয়শঙ অসিবু পুরিবা মিনিষ্টর, চীফ সেক্রেটরি অমসুং কম্মিস্নর (ভেটি এন্দ এ ঐচ) দা পীশিনখিবা রিপ্রজেন্টেসন অদু চয়োল ৮গী মনুংদা দিস্পোজ তৌনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা সী জে এম, ইম্ফাল ইষ্টতা পন্দুনা লৈরিবা কেস অদুগী মেরিটকী মতুংইন্না সবোর্দিনেট কোর্ট অসিনা ৱারেপ লৌজগদবনি হায়বগী ওবজার্ভেসন পীখ্রে।

লোয়শঙ অসিগী ওফিসর অমসুং ষ্টাফ ৭কী মথক্তা ফাইল তৌরক্লিবা সিভিল রিট পিটিসন অসিগী পিটিস্নর অসিসু লোয়শঙ অসিদা হৌজিক দেপ্যুটি দিরেক্টর অমা ওইরিবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

শংলাকপম নিলকান্ত শর্ম্মা হোক্কীদা অর্জুনা এৱার্দ ফংলে

ন্যু দেল্লী, নবেম্বর ১৩ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ওইনা তোঙান-তোঙানবা শান্নবগী দিসিপ্লিনদা পীবা মমিং লৈরবা শেলগী মনা লুপা লাখ ১৫গী এৱার্দ ওইরিবা অর্জুনা এৱার্দ পীবদা মণিপুরী মচা শংলাকপম নিলকান্ত শর্ম্মাসু য়াওখ্রে।

চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা পাঙথোকখিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা নুপাগী হোক্কীদা ইন্দিয়াগী টিমনা চহী কয়াগী মতুংদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখিবা অদুদা শংলাকপম নিলকান্ত শর্ম্মাসু মিদফিল্ডর অমা ওইনা অচৌবা থৌদাং লৌখিবনি। মণিপুরদগী মমাংদা ইন্দিয়াগী হোক্কীদা মমিং লৈরবা শান্নরোয় কোথাজিৎ অমদি চিংলেনসনাগী মতুংদা নিলকান্ত শর্ম্মানা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কীগী সিনিয়র টিমদা শরুক য়াবা ঙম্লকখিবনি।

নিলকান্ত শর্ম্মানা হোক্কী মশান্না অসিদা ইন্দিয়াগী ওইনা জুনিয়র থাক্তগী য়াম্না ফজবা রেকোর্দ থমদুনা লাকখি। মহাক্লা সিনিয়রগী টিমদা শরুক য়ারবা মতুং ইন্দিয়াগী টিম অসিনা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট কয়াদা মায় পাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা টিমগী ফজবা পর্ফোর্মেন্সশিং অদুদা শরুক য়াখি।

মহাক্লা শরুক য়াখিবা টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা ২০১৮দা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

পোজিটিভিটি হন্থরক্লবসু মীওই ৪ লৈখিদ্রে

৩৬ ফগৎলকখি, অনৌবা কেস ৪৯ থেংনখি, শিখিবা মশীং পূন্না ১৯৪৬ শুরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) : হেল্থ দিপার্টমেন্টনা নুংতিগী পীরকখিবা রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী নৌনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাং চাদা ৩গী মখাদা লৈরকপা হৌরক্লবসু হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্ত্রিবা মীওই ৩ অমসুং অনীশুবা দোজ কাপ্লবা মীওই ১ য়াওনা ৪ লৈখিদ্রে অদুগা অনৌবা কেস ৪৯ থেংনবগা লোয়ননা ঙসি ফাওবদা পূন্না লৈখিদবা মীওইশিংগী মশীং ১৯৪৬ শুখিবগা লোয়ননা ঙসি মীওই ৩৬ ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখি।

ঙসি নুংথিলগী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনদগী মীওই ৪৯ (নুপা ২২, নুপী ২৭) নৌনা পোজিটিভ ওইরকখি। পোজিটিভ কেসশিং অদু রিমসতা ৯, জেনিমসতা ৫ অমসুং অতৈ টেষ্টিং সেন্টরশিংদা ৩৫ থেংনখিবনি। পোজিটিভ ওইরবশিংনা ইম্ফাল ইষ্ট ১৩, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৩১, বিষ্ণুপুর ২ অমসুং চান্দেল, নোনে অমসুং উখ্রুলদগী মীওই ১/১নি।

অমরোমদা, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিগী রিপোর্ট মতুংইন্না ইম্ফাল ইষ্টতগী ২ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১/১ পূন্না ৪ কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে হায়রি।

লৈখিদ্রবা মীওই ৪ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা পূন্না লৈখিদবা মীওইশিংগী মশীং ১৯৪৬ শুখ্রে। ঙসি লৈখিদবা মীওই ৪সিগী মনুংদা ২দি কো-মোর্বিদিটিজনা মরম ওইদুনা লৈখিদবনি। অদুবু ঙসি হোম আইসোলেসনদগী ১, রিমসতগী ২, জেনিমসতগী ৫ অমসুং সী সী সীশিংদগী ২৮ ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

অস! লোইরেহে!

- ইবেলৈ নঙনা ঈশিং লাক্তে লাক্তে হায়বদো লাক্লে, লাক্লো নঙবু।
- [illegible]



- হন্দক মপোক্কীদি লোইরে, মাই বাজি।
- [illegible]

চীফ জষ্টিসনা মণিপুরগী জুদিসল পুৱারীগী এগজিবিসন হৌদোকখ্রে

এগজিবিসন অসি অজাদি কা অমৃট মহোটসব অমসুং পান ইন্দিয়া লিগেল এৱ্যেনের্নেস এন্দ আউটরিচ কেম্পেয়নগী মখাদা পাঙথোকপনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) : লৈবাক অসিনা নীংতম্লকপা চহী ৭৫ শুরকপগা ইরোয়নবা পাঙথোরক্লিবা অজাদি কা অমৃট মহোটসব সেলেব্রেসন অমসুং পান ইন্দিয়া লিগেল এৱ্যেনের্নেস এন্দ আউটরিচ কেম্পেয়নগী শরুক অমা ওইনা নেসনল লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (নালসা) গী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগা খূৎশম্নদুনা শীনবা জুদিসল ইষ্টাব্লিসমেন্ট অমসুং লিগেল এইদ সিষ্টমগী ষ্টেট লেভেল এগজিবিসন অমা ঙসি ইম্ফালগী নুপী লাল মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা হৌদোকখ্রে।

নুমিৎ নীনি চৎথগদবা এগজিবিসন অসি মসলসাগী পেট্রোন ইন চীফসু ওইরিবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস পি ভি সঞ্জয়কুমারনা ঙসি অয়ূক পুং ১০ ...মখা লামায় ৩ কলম ২

HL-P/7272/10th Nov to 10 Dec.

[illegible]
LOAN AVAILABLE
VEHICLE LOAN
SERVICE LOAN
PENSION LOAN
- Minimum Down Payment
- No Guarantor required
- One Day Delivery

Area Coverage:
* Imphal East
* Imphal West
* Bishnupur

Pliz contact :- 8787688086
Working Hour :- 10:00 am to 4:00 pm
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O.: Loklaobung
B.O.: MG Avenue, Paona Bazar & Bishnupur Bazar

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫